ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

হুইয়েন লানপাউ

নিংথৌকাবা, সেপ্টেম্বর ২৭, ২০২১, ইম্ফাল

৪৫শুবা চহী, ১৮২শুবা মশীং

# হুরানবা মতুং মৈরিংবা

## তুংগী পাড়া ওইহৌনববুদি কান্নে

‘গো টু হিলস ২.০’ দগী থৈথরক্লগা আউটরিটচ প্রোগ্রাম ওন্থোক্তুনা সেপ্টেম্বর ২২, ২০২১দা তমেংলোং অমসুং নোনে দিষ্ট্রিক্টতা প্রোজেক্ট ময়াম শঙ্গানবা অমসুং উরেপ-উয়ুং তম্লবগীদমক চৎখিবা চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংবা মিনিষ্টর ময়াম অমসুং ওফিসলশিংগী খোঙচৎ অদুগী মাঙওইননা থৌরম পাঙথোকফম তমেংলোংগী এপোল্লো প্লেগ্রাউন্দ ময়াদা থোকখ্রিবা থৌদোক্তুবু করিনো? ‘জেদ কেটাগোরি’ গী সিক্যুরিটিগী প্রোটেক্সন পীরিবা চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংবা মিনিষ্টরিএল টিম অমগী খোঙচৎ অমসুং প্রোগ্রাম অদুগীদমক্তা দিপ্লোয় তৌখিবা ষ্টেট অমসুং পেরা মিলিটরি ফোর্সশিংগী মমাঙমক্তদগী মীওই খরনা জেলিয়াংরোং বৌদিগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা অদুগা এদভাইজরসু ওইবা অথুৱান অবোনমাইবু নমদুনা ফারগা গাড়ীদা হাপ্তুনা পুখিবনি। ফাদবা য়াদে হায়দুনা ফারগা পুখিবনিনা অফবা পোলোই ওইখিবগী মহুত্তা তমথীবা মওংদা হাৎলগা হুন্দোক্লম্বগী ৱানি। মহাকপু হাত্তোক্লমদনা তেক্ত-কায়দনা থাদোক্লম্বসু য়ারমখিবনি। অদুবু মদুগীদমক টার্গেট তৌদুনা ফারগা পুখিবনিনা হাত্তোকখ্রে। লাক্লিবা ৱাহংদি লৈখিদ্রবা অবোনমাই মশানা য়াবসু নত্তবা, নাম্থোকচহৌনবসু হোৎনখিবা অদুবু ফূ-চৈবা ফাওবা তৌদুনা মফমদুদগী নমদুনা গাড়ীদা কাখৎহল্লগা পুখিবদুদা চগৌ য়েংদুনা লৈহৌরিবা ষ্টেট ফোর্স অমসুং অসাম রাইফলস পর্সনেলশিং অদুগী মেন্টালিটি, মখোয়দা শিন্নবা, দিসচার্জ তৌফম থোকপা মথৌ অদু করিনো হায়বগী ৱানি। ফাদুনা পুখ্রিবা মীওইদু হাৎতোকখিবা নৎত্রগা তেক্তা কায়দনা থাদোরকপা হায়বদুনা কোন্নগী সেকেন্দরি ওইবা ৱাফমনি। এবদক্সন নৎত্রগা কিদনেপ্পিংগী ক্রাইম নৎত্রগা ওফেন্স অদুবু লো এনফোর্সিং এজেন্সীশিং, অদুসু আর্মদ পর্সনেলশিংগী মমাঙদা কম্মিট তৌহনফম থোকপ্রা? মশ্বাইদদি সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং অদুগী মথৌ-মশক খঙবা অমসুং ইন্টিগ্রিটিগী ৱাফম লাকই। মসি য়ৌশিল্লকপদদি হোম দিপার্টমেন্ট অমসুং লোয়শঙসিবু কনানা কম্মান্দ এন্দ কন্ত্রোল তৌবনো হায়বগী ৱাহংসু থোরকই।

অদুম ওইনমক থোকখ্রিবা থৌদোক্তুগী মতাংদা পুলিসকী আই জি পি (ইন্টল্লিজেন্স) না চ্যেরমেন ওইবা কম্মিটি অমা শেমখ্রে। মসিগী মেম্বরশিংনা রেঞ্জ পুবা দেপ্যুটি ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস অনীনা ওইহনখ্রে। থৌদোক্তুদা পাঙথোকফম থোকপা মথৌ পাঙথোকখিদবনি হায়বগী মরালদা তমেংলোং পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন-চার্জ ওইবা ইন্সপেক্টর অমা, এসিষ্টেন্ট সব-ইন্সপেক্টর অমা, হেদ কন্সটেবল অনী য়াওনা স্পেসল কম্মান্দোগী পর্সনেল অমা, কন্সটেবলশিং, ৫শুবা মণিপুর রাইফলসকী পর্সনেলশিং য়াওনা অপূনবা ষ্টেট ফোর্সকী পর্সনেল ১৬ থবক্তুগী সস্পেন্দ তৌখ্রে। ত্রাফিক পর্সনেল ওইনা য়ুটিলাইজ তৌবা ভি দি এফ পর্সনেল অমনা সর্ভিসতগী লৌথোকখ্রে। মসিগী মথক্তা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী লো এন্দ ওর্দর মেন্টিনেন্সকীদমক মণিপুর রাইফলসকী কম্মান্দেন্ট অমা, এস পি ৪, এদিসনল এস পি ২না লুচিংবা কম্মান্দো টিম য়াওবা য়াল্লবা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং দিপ্লোই তৌখ্রে। লৌখৎলক্লিবা থবকশিং অসি ফৈ, লৌখৎলকফম থোকপা মথৌ তাবা থবকশিংনি। থৌদোক্তুগী ওইনদি হুরানবা মতুং মৈরিংবগী থৌদৌ ওইদুনা অবোনমাইগী থৱায় কলহৌবা ঙমদ্রবসু অদুগুম্বা থৌদোক্তু মতুংদা অমুক হন্না থোরক্তনবগীদমক্তদি লৌখৎফম থোকপা চপ চাবা থবক থৌরমশিং ঙাক্তনি। অদুবু মতাং অম্বাইদা অমুক্কসু লাক্লিবা ৱাহংনা অসিগুম্বা মীওইবগী থৱায় মাঙহনবগী খ্বাইদগী থাক ৱাংলবা ক্রাইমশিং অসিবু থোরক্ত্রিঙৈদা থোরকহন্দবা, থিংদুনা থমহৌবদি ঙম্লরোইদ্রা? থোকখ্রবা মতুংদতা খোঙ্গুল লীবা, খূৎফম হঞ্জিন্নদুনা অশিবা হকচাংশিং খুনবা, মদুগী মরমদা ইনক্কারি তৌবা খক্তমক্লা ষ্টেটকী লো-এনফোর্সিং এজেন্সী অসিগী মথৌ ওইরগদ্রা হায়বনি। মরম অসিনা হন্দক তমেংলোংদা থোকখ্রিবা থৌদোকসিনা অসিগুম্বা থৌদোকসি অহানবা নত্তে। মমাঙদা উখ্রুলদসু কিষন, রাজেন অমসুং তোকেনবু ফাদুনা পুখ্রগা তমথীবা মওংদা হাত্তোকখিবগী থৌদোক লৈখ্রে। অদুনা লৈখিদ্রবা মতুংদা খোঙ্গুল লীবা, কম্পেন্সেসন/এক্স গ্রেসিয়া পীবদগী অসিগুম্বা থৌদোকশিংসি থোরক্ত্রিঙৈদা থোরকহন্দনবা হোৎনবরোমদসু পূক্নিং হেন্না চঙহন্নীংই।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৬

১) *“তাইবঙ মীৎ পেল্লম্বা ইশং শংনা,/পামেলগী লৈতেং ওইরম্বা নীংথিবা,/হে উনা! পুন্সি লোল্লমাল্লে,/উফুল্লক্তা তাইবঙ খোঙগাওনরেদো।/নফম লেঙদ্রিঙৈ নপাল ফরিঙৈ,/মালেম নুংশা মৈনা চাক্লিঙৈ,/শাইদাংলম্বা ঙাক্লি নহাক্কী,/তৌবিমল লমন শিংলরে নেৎপনা।”* শৈরেং অসি মমিং য়াম্না পন্নবা শৈরেংগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। করি লাইরিক্তগী করম্বা শৈরেংনো অমসুং অইবনা কনানো?

২) *“শৈরেংগী খুঙ্গং”* হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবসি কনানো?

৩) *“বাংলা সাহিত্যগী ইতিহাস’* হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবা ওরিজিনেল লাইরিক্তগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

৪) মণিপুর মপানগী শক্লাইরবা অইবা অমগী লাইরিকনি *“পুন্সিগী মীৎকূপ অমখক”* হায়বসি। অইবা অসি কনানো অমসুং করি লমগী অইবনো?

৫) *“খোইয়ম লাইয়িংথৌ চীংঙু লাইমরু সিদবা ও, তাইবঙ নোংসাপান ওইনা চীংঙু নথৌজানগী উনবী মচেঙ হকমা-ওই, লৈরাং য়িমজংনবাবু চীংঙু নঙগী সমু হকসাংলেনবু পূঙমদরে, হায়না তৎনা ৱাননা খাংলমএ, অদু নোংগীবু লোইদাম অতৎ অৱান থাও তৌনা কৌএ।”* ৱাহৈ পরেং অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# লৌমীশিংগী কাখল

## উহৈ পাম্বীশিং মসা থাদোক্তুনা অচুম্বা মওংদা শেমসি, মহৈ নিংথিনা পালহনসি

**- এস সুমঙ্গল -**

হৈকোন শেন্নরিবা নৎত্রগা হৈ পাম্বী অমবু থাদুনা মহৈ চাননবা হোৎনরিবা ঐখোয়না হৈ পাম্বী অদুবু অঙাং অমা মপূং ফাবা মী অমা ওইনবা শেম্বগুম কূপ্না শেন্নবা অমসুং শেম্বীবা চঙই। পাম্বীদুগী মচিঞ্জাক নীংথিনা পীবা, মতম চানা ঈশিং চাইবিবা, লায়না তীলনাদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবীবা অসিনচিংবা থবক থৌরম কয়া অমনি। হায়রিবশিং অসি নত্তবা অতোপ্পা মরু ওইবা থবক থৌরম অমা পনবা তারবদি হৈ পাম্বী অদুবু মওং চুম্না অপাম্বা মওংদা হৌহন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা মপূং ফানা পালহনবা হায়বসিসু য়াম্না মরু ওইবা থবক থৌরম অমনি। মসিগীদমক চাং নাইনা, মতম চানা, মওং চুম্না অমদি মরম চানা মসা মরেং থাদোকপীবা অমদি পাম্বীদুবু অপাম্বা অচুম্বা মওংদা হৌননবা শেম্বীবা হায়বা অমা লৈ। মসিবু লৌউ-শিংউবগী লোন্দা pruning and training হায়না খঙনৈ। pruning হায়বসিনা মসা মরেং ককপবু খঙনৈ অদুগা training হায়বসিনা মসা মরেং ককপা মতমদা পাম্বীগী মওং শেম্বীববু খঙনৈ। হায়রিবা পাম্বীগী মওং শেম্বীবগী থবক থৌরম অসিগী তোঙান তোঙানবা মমিং, মওং কয়া অমা লৈখ্রে অদুবু মরু ওইবা খরা য়েংসি।

**Pruning গী মতম ঃ** নোংজুথা মতমদা উহৈ পাম্বীগী pruning মতম নত্তে। মতমসিদা pruning তৌবদা অকায়বা কয়া অমা লৈ। মরম অদুনা কনাগুম্বনা খঙহৌদবদগী করিগুম্বা নোংজুথা মতমদা উহৈগী মসা মরেং কক্লুরবদি লায়না তীলনা কয়া অমা তাশিল্লকপগী খুদোংথিবশিং নংবা য়াই। মরম অদুনা অয়াম্বা উহৈশিংগী pruning নোংজুথা লোইরবা মতম ওক্টোবর, নবেম্বর মতমদা পাঙথোকপীগনি।

**উহৈ পাম্বী খরগী pruning অমসুং training ঃ**

**চম্প্রা - কোমলা ঃ** মখোয়গী মসা মরেং ককপগী মওংদি অহানবদা মপূং ফাবা মরু মতাং চুম্না হৌহন্নবা হোৎনগনি। অতোপ্পা নাকন্দা চোংবা মসাশিং নীংথিনা মরু মনাক নক্লা য়াম্না নানবা মওংদা কক্কনি। মরু মনাক নক্লা ককপনা অককপা মফম অদু মওং চুম্না অমদি খূৎলৈ থুনা ফাজিনবা/ওইশিনবা ঙমহল্লি। অসুম্না মওং চুম্না পাম্বীনা ৱাংখৎলক্লবা মতুংদা, ফুট অহুম্মুক ৱাংবা মফমদা পাম্বীগী মতোন অদু কক্কনি। মসিনা পাম্বীদু মসা ময়াম অমা চোংহনবদা মতেং পাঙগনি। অসুম্না মসা কয়া অমা চোংলবা মতুং থা তরুক্তগী চহী অমা ফাওবগী মনুংদা অমুক হন্না মায়কৈ মরিদা চোংলকপা মসা অহুম নৎত্রগা মরি খাক্লগা অতৈ অহেনবা মসাশিং ককথৎকনি। খাক্লিবা মসা অহুম/মরিদুনা পাম্বীদুগী মপূং ওইবা মসা ওইননবা শেম্বীগনি। হায়রিবা খাক্লিবা মসাশিং অদুদা উহৈ পান্নবা শেম্বীবা য়ারে। অসুম্না শেম্বীরবা মতুং উহৈ পাল্লবা পাম্বীদা pruning তৌবীগে হায়রবদি পাম্বীদুদা চোংলকপা কা হেন্না মশা ফবা চিথেক নাইতক তৌবা, তিঙ্খং য়াম্না শাংনা-শাংনা পানবা চপ য়ুংনা থিনগৎলকপা/চোংখৎলকপা মসা য়াওরবদি মদুসু মতম মতমদুদা ককথহৌগনি। মখোয়সিবু water sprout হায়না খঙনৈ। উহৈ থারিবা ঐখোয়নদি পাম্বী মশা ফনা হৌরে খনবা য়াই অদুবু মসা অসিনা উহৈ পানগদবা অতৈ মসাশিংবু উহৈ পানবা ৱাৎহনগদৌরিবনি। হায়রিবা মসা মখল অসি উহৈ পানদ্রিঙৈ মতমদসু থেংনবা য়াই। মতমদুদগী হৌনা অসিগুম্বা মসাশিং ককপীগনি। অতোপ্পা লায়না তীলনা চেনবা, মসা অমগা অমগা লোনশিন্নবা, খুদিংমক মতম চানা ককথৎপীগনি।

**হৈনৌ ঃ** হৈনৌ পাম্বীদা pruning তৌবগী মথৌ কয়া তাদে। অদুম ওইনমক অকংবা, লায়না-তীলনা চেনবা, অমগা অমগা লোনশিন্নবা মসা য়াওরবদি অদুমক ককথৎপীগনি। মাগীদমক্তি অনৌবা য়েন্নিং হুল্লকপা মতমদা অরিবা মসাগী মতোংগী মফম অমত্তদা মসা কা হেন্না য়াম্না চোংলকপা য়াওই। মশা ফবা অহুমদমক খাক্লগা অতোপ্পশিং অদু লৌথোকপীগনি।

**পুঙদোন ঃ** মতম অমদদি পুঙদোন পাম্বীদা pruning তৌনরমদে অদুবু ত্রেনিং তৌদুনা পাম্বীগী মওং শেম্বদি অদুমক মহৌশানি। মপূং ফারবা চহী লীরবা পাম্বীদুদা চোংলিবা মরু ওইবা মসাশিং অদুদগী মশা ফবা মসা অহুম মরি খল্লগা নেমতক্লা হায়বদি ফুট অহুম্মুক ৱাংবা মফমদা মসাশিং অদু কক্লবদি অনৌবা মসা কয়া অমা চোংলক্কনি। ময়ায়রোমদা চোংলকপা নৎত্রগা ময়ায়রোমদা ওনশিনবা মসাশিং লৌথোকপীগনি লোয়ননা মতাইরোমদা মসাশিং হাইদোকহনগনি। অসুম তৌবনা পুঙদোনশিং নীংথিনা নেম্না নেম্না মপূং ফানা পানগনি। অনেম্বা পাম্বী ওইরবনিনা শেন্নবদসু লায়হল্লি। অসুম্না হৌরিবা পাম্বীগী ময়ায় থংবা শরুক হাঙহন্দুনা মতাইদা মসাশিং নীংথিনা চোংহন্দুনা শেম্বীবগী মওং অসিবু ওপন সেন্ট্রেল হায়না খঙনৈ। অসুম্না শেম্বীবা পাম্বীগী মনা খুদিংমক নুংশা মঙাল নীংথিনা ফংদুনা অফবা, অথুম্বা অমসুং মপূং ফাবা উহৈ পানবদা মতেং পাঙই।

**অঙ্গুর ঃ** অঙ্গুরদি pruning অমদি training তৌদবা য়াদে লোয়ননা pruning তৌবা মতমদসু য়াম্না চেকশিনবা ফৈ। লম লমগী অমদি ভেরাইটি তোঙানবগী মতুং ইন্না pruning মতম অমসুং মওং খেন্নে। পাম্বী অসিগী pruning তৌবদা খঙজিনবা য়াবা খরখক্তমক য়েংসি। থাবদগী ইহান হানবা মপান শারকপা খুদিংমক থদৎপীগনি। মসিনা পাম্বীদু মপূং ফাহনবদা মতেং ওইগনি। অহানবা থারবা মতুংদা পাম্বীগী মরু অদু চুম্না কাহনবীগনি। মখোঙদা চোংলকপা মসাশিং লৌথোক্কনি। কয়া য়াম্না ৱাংহনগনি হায়বদুসু থারিবা মফমগী মতুং ইন্না খনবীহৌগনি। শারিবা শগাইদুগা চান্ননা মরীশিং অদু মপূং ফানা থলহৌনবা খনবীগনি। মসাশিং অদু য়াম্না কুংনা পাল্লবদি খরা লম্থোকহনবা কান্নগনি। মসিনা মনাশিংদা নুংশিৎ অমদি নুংশা মরাং কায়না ফংহন্দুনা মনানা মচিঞ্জাক শুংবদা মতেং ওই অমদি লায়না তীলনা তাবা অমদি তিলাইখোম্বীনচিংবা ইনবদগী কনবা ঙমহল্লি। অঙ্গুর পাল্লিবা পাম্বীদা চোংলকপা মহৈ পানদবা মসাশিং অমদি মকোইশিং লৌথোকপা কান্নে। চরোং পাল্লিবা মসাগী মতোন্দা চরোংগা থংননা মরিখক্তং খাক্লগা মতোন থদৎপসিসু মহৈ মপূং ফাহনবদা মতেং পাঙই। মণিপুরদা থারিবা অঙ্গুরশিং ভেরাইটি মশক খঙবগা লোয়ননা শগাই শাবগী মওং খঙদোকপা তঙাইফদে। করম্বা মতমদা pruning তৌবনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ হায়বনচিংবা খঙদোক্তুনা মতম চানা মওং চুম্না pruning তৌরবদি অঙ্গুর থাবগী কান্নবা হেন্না ফংগনি খল্লি। খঙজিনবদা কান্নবা ৱাফম অমনা অঙ্গুরদি চহী ফারবা মরীদা/মশাদা চোংলকপা মসাশিংদা মহৈ পাল্লি। মপূং ওইনা খাক্লিবা মশাগী মতাং মতাংদা চোংলকপা চহী ফারবা মসাশিং অদুদা মতাং/মমিৎ মরি-মঙাদং খাক্লগা অতৈদু ককথৎকনি। খাক্লিবা মমিৎশিংদা চোংলকপা অনৌবা মসাশিংদা অঙ্গুর পানগনি। পাম্বীগী মওং শেম্বগী (ত্রেনিং) মওং অনীখক য়েংসি। (১) মথক্তা পাক্লা মায়কৈ খুদিংদা মরু ওইবা মসা খাক্তুনা ইকোয় কোয়না ছাতিন খনবগুম শন্দোকহনবা। (২) মরু ওইবা মসা অনী পরেং ওইনা হৌরিবা পাম্বীগী নাকল অনীদা চৎহনবা নৎত্রগা মসা অনী অনী মথক মথক্তা ফুট ২ লাপ্পনা পাম্বীগী নাকল অনীদা চৎহনবা। মপূং ওইবা মরীদু পংশাং শাংনা চৎহন্দবা ফৈ। পাম্বী অমগী মপূং ওইবা খাক্লিবা মসাগী মতোন্দগী মখোঙ ফাওবা লাপ্লিবা অদুগুম্বা অমা চখোল্লগা পাম্বী অমা অমুক থাবীগনি।

**Pruning গী কান্নবা ঃ** পাম্বী খুদিংমক্কী ওইনা মসা মরেং ককপগী কান্নবা অদুমক লৈ। অহেনবা মসা মরেং লৌথোকপনা পাল্লিবা মহৈশিং মপূং ফাহনবা ঙম্মী। মরমদি কান্নদবা মসা মরেংশিংদুনা অরেম্বদা পাম্বীগী মচিঞ্জাক চাথোকখিবা মরম্না পাল্লিবা উহৈ মপূং ফাবা ৱাৎহল্লি। মখোয়না শীজিন্নথোকখিগদবা মচিঞ্জাকশিং অদু পাল্লিবা উহৈশিংদা ফংহন্দুনা মপূং ফানবরোমদা ওইনা শীজিন্নহনবা ঙমহল্লি হায়বনি।

**মসা ককপগী মওং ঃ** মসা ককপা মতমদা মসা অদু পাল্লিবা মরু নৎত্রগা মসা অদুগী মখোঙ থেংনা হায়বদি মরুগী লৈতেম মান্ননা ককপীগনি। মসিনা অককপা মফম অদু থুনা ওইশিনবদা মতেং পাঙই। মখোঙ থেংনা ককপা য়াদবা নৎত্রগা থেংনদনা কক্তবা য়াদবা মওং ওইরগনা ককফম অদুগী মমাই অদু মখাদা ওন্থবা নৎত্রগা য়ুংনা লৈনবা মওংদা থম্বীগনি। মসিনা লিক্লা নৎত্রগা নোংগী ঈশিং তুংশিন্দুনা মসা অদু কোকফাই শুজা তাবদগী কনবা ঙম্মী।

চম্প্রা, কোমলা, অঙ্গুর, পুঙদোননচিংবা পাম্বীদি য়েনিং হুন্না হুন্না অনৌবা হুল্লিবা মসাদুদা মপান শাদুনা মহৈ পাল্লি। অসিগুম্বা পাম্বীগীদমক্তি অরিবা মসা চহী ফারবা নৎত্রগা খরা হেল্লবা মসাশিং মপূং ফানা মফম চানা খাক্লবদি মথং চহীদা উহৈ নীংথিনা পানবা ঙম্মী। নাসপাতি, চুমব্রে, হৈখা, মালহৈনচিংবা পাম্বীদা অরিবা মসাদা তিঙ্খং মানবা spur হায়না খঙনবা শরুকশিং থিন্দোক থিন্দোক্তুনা য়াওই। হায়রিবা spur শিং অসিদা মপান শাদুনা উহৈ পাল্লি। মসা থাবা মতমদা অসিগুম্বা spur য়াওবা মসাশিং লোয়না থাদোকখ্রবদি মথং চহীদা উহৈ পাল্লোই। মরম অদুনা য়াম্না চেকশিন্না spur য়াওবা মসাশিং খাক্লগা spur য়াম্না য়াওদবা অহেনবনি খনবা মসাশিংতমক থাদোকপীগনি।

অসুম্না উহৈ খুদিংমক্কী মরমদা খঙদোক্লবা হোৎনরবদি উহৈ থাবগী কান্নবা খরা হেন্না ফংগনি খল্লি। ●

# গ্রো আউট মেনেজমেন্ট

**ডা: য়ূম্নাম বেদজিৎ**

গ্রো আউট মেনেজমেন্ট হায়রিবা তাঙ্কক অসি ময়াম্না চাননবা ঙা পুথোক্লিবা/য়োক্লিবা তাঙ্কক অদুবুনি। তাঙ্কক অসিদা য়োক্কদৌরিবা ঙা অসি চাওরাক্লা থা ২দগী ৩ ফাওবা শুরবা ময়াম্না ফিঙ্গরলিং হায়রগা খঙনবা অদুদগী চানবগীদমক্তা শীজিন্নবা ঙাশিং টেবলফিস হায়রগসু খঙনবা ঙাশিং চাওরাক্লা থা ৬তগী ১২ রোম শুরবা অমদি মিলিমিটর ৮১দগী ১৫০ ফাওবা শাংবা অমদি মসিদগী হেনবা ওইগদবনি। হায়রিবা থৌওং অসিদা য়োক্কদৌরিবা পুখ্রিশিং অদু চহী চূপ্পা ঈশিং ফংবা মফম ওইগদবনি অমদি নুংশা মঙাল ফজনা ফংবা ওইগদবনি। পুখ্রিগী পাক চাওবগী চাংনা ০.২ হেক্টর অমদি মসিদগী চাওবা ওইগদবনি। ঈশিংগী অরূবগী চাংনা চাওরাক্লা ১.৫ ওইগদবনি।

**তঙাইফদনা পাঙথোকপীগদবা থৌওং খরা :**

১) অহানবদা পুখ্রিগী ঈশিং কংহন্দুনা লৈমায় অদু নুংশা মঙাল ফজনা ফংহনবীগদবনি অমদি লৈমায়দু খোইদোকপীদুনা ফত্তবা নুংশিৎশিং চৎহনখিগদবনি।

২) মথংগী নুমিত্তা শুনু (Quick Lime) কিলোগ্রাম ৫০০দগী ৭০০ পরি অমা পাক চাওবা পুখ্রিদা চাইথোকপীগদবনি। মসিনা লৈবাক্কী অশিনবা ফহনবা ঙমগনি। অদুদগী ঈশিং খরা হাপ্লগা চয়োল অমরোম থম্বীগদবনি। মদুগী মতুং তারকপদা ঈশিংগী অশিন-অয়াক ফজনা থম্নবা ঈশিং অদু কয়াম শিনবগে হায়বা য়েংলবা মতুংদা শুনু অমুক চাইবীগদবনি।

৩) করিগুম্বা পুখ্রি অদু হান্নদগী শীজিন্নদুনা লাকপা পুখ্রি ওইরবদি পুখ্রিগী লৈমায়দু খূৎলায় অমা শীজিন্নদুনা খোইগাইবীগদবনি। মসিনা ফত্তবা নুংশিৎশিং থোকহনখিবদা মতেং পাংগনি।

৪) পামদবা ঙাশিং ফজনা ফাদোকপীগদবনি অমদি ঈশিংগী লূবগী চাংনা মিটর ১.৫-২.৫ ওইহনবীগদবনি।

৫) পুখ্রি অদু লৈহাও লৈহন্নবগীদমক ষন্থি কিলোগ্রাম ১০,০০০ নৎত্রগা থাওথি কিলোগ্রাম ২৫০ + ষন্থি কিলোগ্রাম ৫০০০ পরি অমা পাক চাওবা পুখ্রিদা থাদবীগদবনি। ঙা য়োক্লবা মতুংদদি হৌজিক শীজিন্নরিবা অসিগী চাদা ৩০ থা খুদিংগী চাইবীগদবনি।

৬) ঈশিংগী অশিন অয়াক্কী চাং অসি চাওরাক্লা ৩.৫-৪.৫ ওইহনবীগদবনি অদুগা দিজেল্ভ ওক্সিজেননা ঈশিং লিটর অমদা মিলিগ্রাম ৫দগী ১০ ফাওবা য়াওবা ওইগদৌবনি। ঈশিংগী মচুনা শংলি শংলি তৌবা ওইগদবনি।

৭) ঙা য়োকত্রিঙৈগী মাঙওইননা করম্বা মখলগী ঙা য়োকপীগদৌরিবনো হায়বদু মুন্না খন্থবীগদবনি অমদি ঙা মচা লৈবা মতমদা অফবা মগুন চেনবা ঙা মচা হায়বদি শকখঙলবা মফমদগী লৈবীগদবনি।

৮) ঙা থাদবা মতমদা চাং অমদা থাদবীগদবনি। খুদম ওইনা হায়রবদা ২:১:৩:১:১.৫:১.৫গী রেসিওদা হায়বদি ২ কটলা : ১ সিলভর কার্প : ৩ রৌ : ১ নাপী চাবী : ১.৫ ম্রিগল : ১.৫ পুকলাওবী ওইহনবীগদবনি।

ঙাশিং অসি থাদদ্রিঙৈদা পোটাসিয়ম পর মেগনেট মিলিগ্রাম ২০ ঈশিং লিটর অমগী চাংদা য়ানবীরগা মিনট ২দগী ৫ ফাওবা থম্বীরবা মতুংদা থাদবীগদবনি। মসিনা ঙাদুদা য়াওরকপা লায়না তীলনা থোকহনবা য়াবা মহীক মতাই শিহন্দুনা তুংদা থোক্লকপা লায়না তীলনা কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি। মসিগীসু মথক্তা ঐখোয়না পুরক্লিবা ঙা অদু ঐখোয়না পুরক্লিবা পাত্র নৎত্রগা খাও অদু হাংদোকত্রিঙৈদা ঐখোয়না ঙা থাদগদৌরিবা পুখ্রি অদুদা মিনট ৩০ রোম থম্বীদুনা ঙা থাদগদৌরিবা পুখ্রিদুগী পান অমদি ঙা মচা পুরক্লিবা ঈশিং অদুগী ঈশিংগা অঙৈং-অশা মান্নহনগদবনি। মসি তৌবীদ্রবদি ঙাশিং অদুদা অৱাবা কয়া থেংনহল্লি। ঐখোয়না ঙা য়োক্লবা পুখ্রিদা থাদবা মতমদা য়ারিবমখৈ অয়ূক অঙনবা নুংশা শাদ্রিঙৈদা তৌবীগদবনি।

৯) ঙা মচিঞ্জাক থাকপা মতমদা অফবা মখলগী মচিঞ্জাক খনবীগদবনি অদুগা মচিঞ্জাক থাবগী চাং অসি পুখ্রি অদুদা লৈরিবা ঙাশিং অদুগী চাওরাকপা অপূনবা অরূম্বা অদুগী চাদা ২দগী ৩ নোংমদা থাবীগদবনি। মচিঞ্জাক থাবীবগী মতম অসি নোংমদা অনীরক হায়বদি অয়ূক নুমিৎ থোক্লক্লবা মতুংদা অমুক অমদি নুংথিল নুমিৎ তাদ্রিঙৈদা অমুক থাবীবা অসিনা খ্বাইদগী হেন্না ফগনি। নুমিৎ থোক্লক্ত্রিঙৈদা ঈশিংদা য়াওবা ওক্সিজেনগী চাং অসি য়াম্না নেম্মী। মরম অদুনা মচিঞ্জাক অমুক থাজিল্লবদি ওক্সিজেন ৱাৎলকপগী খুদোংচাদবা কয়া থেংনগনি।

১০) চাং নাইনা ঈন শোন্দুনা ঙাশিং অদু করম তৌরি অমদি কয়াম চাওরবগে হায়বনচিংবা য়েংবীগদবনি। করিগুম্বা অনাবা ঙা য়াওরল্লবদি তোঙান্না খন্দোকপীদুনা থম্বীগদবনি।

১১) চাং নাইনা পুখ্রি অমদি পুখ্রিগী অকোয়বদু শেংদোকপীদুনা ঈশিং করম তৌরি হায়বদু য়েংবীগদবনি। করিগুম্বা ঈশিং অদু য়াম্না লুরল্লবদি হার চাইবীদুনা শংলি-শংলি তৌবা মচু ওইহনবীগদবনি।

১২) ঙা ফাবা অসি থা তরুক লৈরগা নৎত্রগা চহী অমা লৈরগা পুল্লপ ওইনা ফাদ্রবসু থা অনী/অহুম লৈরগা খরা খরা ফাদোকপীবা য়াই। তৌইগুম্বসুং ফাদোকখ্রিবা ঙা মশীং অদুগা মান্ননা ঙা মচা অমুক থাদবীগদবনি। অসুম্না তৌরবদি ঙা য়োকপদা চঙগদৌরিবা শেলশিং অদু ফাদোক্লিবা ঙাশিং অদু য়োল্লগা শীজিন্নবা য়াগনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।